## চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ – ইন্দিয়া

# ইরান, জর্মনি, ব্রাজিল অমসুং স্পেন মখোয় মখোয়গী মেটচশিং মায়পাক্তুনা চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপকী নোক আউত ষ্টেজ য়ৌখ্রে



*ইরাননা গোল চনবগী হরাওবা ফোঙদোকপগী শক্তম অমা*

*মারগাও / কোচি, ওক্তোবর ১৩ ঃ*

গোৱাগী মারগাউদা লৈবা ফরতোদা ষ্টেদিয়ম অমসুং কেরালাগী কোচিদা লৈবা জৱাহালাল ষ্টেদিয়মদা লৈবা ঙসি শান্নখিবা চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল গ্রুপ (সি) অমসুং (দি) গী অহুমশুবা মেটচশিংদা ইরান, জর্মনি, ব্রাজিল অমসুং স্পেন মখোয় মখোয়গী মেটচশিং মায়পাক্তুনা চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপকী নোক আউত ষ্টেজ য়ৌখ্রে। মারগাওগী ফরতোদা ষ্টেদিয়মদা গ্রুপ (সি)গী মেটচ শান্নখিবা চপ মান্নবা মতমদা কোচিগী জৱাহালাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা গ্রুপ অসিগী জর্মনি অমসুং গিনি লম্বা তৌনখিবনি।

ইরানগী মাইকৈদগী অহানবা হাল্ফতা এটেক্ট য়াম্না চথখিবা মরমনা পেনাল্টি অনী ফঙখি। অহানবা পেনাল্টি অদু ২৫শুবা মিনটতা গোপেসাবিনা পাঞ্জল ওন্থোকখি। মদুগী মতুং ২৯শুবা মিনটতা টিমমেট সরিয়াতিনা পেনাল্টি অমসু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা কোষ্টা রিকাবু ইরাননা অহানবা হাল্ফ লোইশিলকপদা পাঞ্জল ২–০দা মাংজিল থাদুনা চৎখি। মেটচকী অনীশুবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম টিম অনীমক পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নখিদে। অদুগা শান্নবা লোয়গদবা মিনট ১খক ঙাইরবা মতমদা ইরানগী মাইকৈদগী সাদারিনা পাঞ্জল ১ চল্লগা মেটচ অমদু ইরাননা কোষ্টা রিকাবু পাঞ্জল ৩–০দা থোইরগা ইরান গ্রুপ (সি)গী মেটচ অহুম শান্নবদা অহুমক মায় পাক্তুনা নোক আউত ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।

কোচিগী জৱাহালাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা জর্মনি অমসুং গিনি লম্বা তৌনবদা জর্মনি য়াম্না ঙন্না শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই অর্পকী মাইকৈদগী পাঞ্জল অমা চনখি। গিনিগী মায়কৈদগীসু য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা মেটচকী ২৬শুবা মিনটতা ইক্যুলাইজর অদু চনখি। টিম অনীমক পাঞ্জল অমমম মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ জর্মননা বোল হেন্না পায়খি। শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা জর্মনিগী কুলনা পাঞ্জল ১ হাপচিন্দুনা ২–১দা লৈখি। মদুগী মতুং শান্নবগী ইনজুরি টাইমদা জর্মনিনা ফঙখিবা পেনাল্টি অমা সেত্রিননা কাওবদা চন্দুনা মেটচ অদু জর্মনিনা গিনিবু ৩–১দা থোইখি।

গ্রুপ (দি)গী কোচিদা শান্নবা মেটচ অমদা নোর্থ কোরিয়া অমসুং স্পেন লম্বা তৌনবনি। হৌবগী মিনট ৪দা স্পেনগী মোহানা পাঞ্জল ১ চনশিন্দুনা নোর্থ কোরিয়া পাঞ্জল ১ শোৎথখি। টিম অদুগী মাইকৈদগী ইক্যুলাইজ অদু ফঙনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা ইক্যুলাইজ ফঙদদুনা ১–০দা স্পেননা হেন্দুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতমদসু নোর্থ কোরিয়ানা স্পেনগী মায়োক্তা পাঞ্জল হন্দাক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। শান্নবগী ৭১শুবা মিনটতা স্পেনগী মাইকৈদগী সিজরনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা নোর্থ কোরিয়াবু মখোয়না ২–০দা থোইখি।

মারগাওদা শান্নবা গ্রুপ (সি)গী অতোপ্পা মেটচ অমদা ব্রাজিলনা নাইগরবু ২–০দা থোইখি।

ব্রাজিলগী মাইকৈদগী অহানবা হাল্ফকী মরিশুবা মিনটতা লিনকলনা পাঞ্জল ১ চনখি। অদুগা টিম অদুগী শান্নরোই বেনরনা ৩৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা নাইগরবু ২–০দা থোইরগা ব্রাজিলনা গ্রুপ অসিদগী স্পেনগা লোয়নননা নোক আউত ষ্টেজ য়ৌখি।



*স্পেননা চহি ১৭মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপতা নোক আউত ষ্টেজ য়ৌবা ঙম্বগী হরাওবা ফোঙদোকপা*

### Group C

| Teams | P | W | D | L | GF | GA | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Iran | 3 | 3 | 0 | 0 | 10 | 1 | +9 | 9 |
| Germany | 3 | 2 | 0 | 1 | 5 | 6 | -1 | 6 |
| Guinea | 3 | 0 | 1 | 2 | 4 | 8 | -4 | 1 |
| Costa Rica | 3 | 0 | 1 | 2 | 3 | 7 | -4 | 1 |

### Group D

| Teams | P | W | D | L | GF | GA | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Brazil | 3 | 3 | 0 | 0 | 6 | 1 | +5 | 9 |
| Spain | 3 | 2 | 0 | 1 | 7 | 2 | +5 | 6 |
| Niger | 3 | 1 | 0 | 2 | 1 | 6 | -5 | 3 |
| North Korea | 3 | 0 | 0 | 3 | 0 | 5 | -5 | 0 |

RESULT ON 13-10-2017

Group C

| | |
|---|---|
| Iran bt. Costa Rica | 3 - 0 |
| Germany bt. Guinea | 3 - 1 |

Group D

| | |
|---|---|
| Spain bt. North Korea | 2 - 0 |
| Brazil bt. Niger | 2 - 0 |

MATCH ON 14-10-2017

Group E
France vs Honduras
Japan vs Caledonia

Group F
England vs Iraq
Mexico vs Chile

# ৬শুবা এম ইবোয়াইমা এন্দ পুইনবতি মেমোরিয়েল কাং টুর্নামেন্ট কোন্থৌজম কেন্দ্র মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০১৩ঃ

শিংজমৈ কাংখুৎনা শিন্দুনা টিম ১১না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা শিংজমৈ কাংশঙদা মমাং থা সেপ্তেম্বর ২৫দগী চথরক্লিবা চহি ৫০ অমদি ৬০গী ওইবা ৬শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা এন্দ পুইনবতি মেমোরিয়েল লীগ কম নোক–আউৎ কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কৈশামথোং কেন্দ্র কাংখুৎ অমদি কোন্থৌজম কেন্দ্র কাংখুৎ অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা কোন্থৌজম কেন্দ্র কাংখুৎনা পানজল ৯–৮দা থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা থা অসিগী ১৫দা শান্নগদবা মেটচ অমদা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাংখুৎ অমদি নম্বোল কেন্দ্র কাংখুৎ অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নরগনি।

# ষ্টেট অহুমগী ত্রাইএঙ্গুলর সেরিজ অন্দর ১৯ বোইজ টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০১৩ঃ

নাগালেন্দ ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মণিপুর, অরুনাচল প্রদেশ অমদি নাগালেন্দ ষ্টেট অহুমগী ওইবা ত্রাইএঙ্গুলর সেজির ফোর অন্দর ১৯ বোইজ টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুরগী রিপ্রজেন্ট তৌগদবা শান্নরোইশিং অদুদি এল দেনিয়ল মৈতৈ, সনিদপ কুমার, সিধান্ট গুপ্তা, সুরজ খারিবম, সাদানন্দা ওক্রম, লোইতোংবম সিতলজিৎ সিংহ, চিংঙাখম বিদাস মৈতৈ, থৌনাওজম মিলান সিংহ, সোমিট দেব, সন্দিপ চক্রাবোর্টি (ভাইস কেপ্টেন), য়ুম্নাম করনজিৎ সিংহ (কেপ্টেন), য়াস থুক্রাল, ময়ুর খান, অতুল কুমার নি।

শরুক য়াগদবা ওফিসিয়েলশিং অদুনা ইবোবী ইরেংবম (কোচ) অমদি তৌরাংবম সুনিল সিংহ (মেনেজর) নি।

# এ প্রতাপ ইন্টর কোলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮ এম য়ু, ইম্ফাল কোলেজ অমদি এন বি কোলেজ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০১৩ঃ

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাঞ্চিপুরগী মীৎয়েং মখাদা রিজন্নেল কোলেজ লিলোং চজিংনা শিন্দুনা কোলেজ ২৫না শরুক য়াদুনা চজিং কাংজৈবুংদা চথরিবা এ প্রতাপ সিংহ মেমোরিয়েল এম য়ু ইন্টর কোলেজ ফুটবোল মেন টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ ৩দা মণিপুর য়ুনির্ভসিটি, ইম্ফাল কোলেজ অমদি এন বি কোলেজ মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা মেটচ অমদা ইম্ফাল কোলেজ অমদি দি এম কোলেজ ওফ আর্টস অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবগা লোয়নননা মেটচ অদু ইম্ফাল কোলেজনা গোল ২–১দা থোইখ্রে।

মেটচ অদুগী মিনট ২১ চৎপদা দি এম আর্টসকী এল পাউমিলেন খোঙসাইনা গোল ১ স্কোর তৌদুনা ইম্ফাল কোলেজদগী গোল ১ মাংজিল থাখি। অদুবু মেটচ অদুগী মিনট ৩৫ অমদি ৫১ চৎপদা ইম্ফাল কোলেজগী মথংসিংনা ঐচ রাজকুমার অমদি এম বিক্রমজিৎনা গোল অমমম চনদুনা মেটচ অদু ইম্ফাল কোলেজনা থোইখি।

মেটচ অদুগী মিনট ১৭ অমদি ৩২ চৎপদা ইম্ফাল কোলেজগী টিঐচ বরচন্দ্র অমদি এম বিক্রমজিৎপু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অদুদা এল সান্তনা সেন্তর রেফরি, একে টুনেশ্বরনা এ আর ১, এ রতননা এ আর ২ অমদি এ তোম্বীনা ফোর্থ রেফরি ওইনা কন্দক তৌখি।

ঙসিগী অনিশুবা মেটচতা এন বি কোলেজ অমদি রিজনেল কোলেজ অনিনা লম্বা তৌনখি মেটচ অদু এন বি কোলেজনা গোল ১–০দা থোইখ্রে।

মেটচ অদুদা এন বি কোলেজগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙায়রবা গোল অদু মেটচ অদুগী মিনট ১৫ চৎপদা উমেসনা চনখি।

মেটচ অদুগী মিনট ৭, ২৫, ৪৫ অমদি ৫২ চৎপদা মথংসিংনা এন বি কোলেজগী এন সনাথোই, উমেস নরেন্দ্র অমদি রিজনেল কোলেজগী আর কে রোমিয়োবু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অদুদা এ কে টুনেশ্বরনা সেন্তর রেফরি, ৱাই সমর্জিৎনা এ আর ১, এল সান্তনা এ আর ২ অমদি এল অজিৎনা ফোর্থ রেফরিনা ওইনা কন্দক তৌখি।

ঙসি নুংথিলদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি অমদি খা–মণিপুর কোলেজ অনিনা লম্বা তৌনখিবগা লোয়নননা মেটচ অদুগী অপিবা মতমদা গোল ১–১দা দ্রো চৎপদগী মায় পাকপা টিম অমা খন্নবগীদমক পেনাল্টি কাউনখি। মদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা গোল ৬–৫দা খা–মণিপুর কোলেজবু মায়থিবা পিখি।

মেটচ অদুগী মিনট ২৩ চৎপদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সিমিয়োন কামৈ, মিনট ২৮ চৎপদা খা–মণিপুর কোলেজগী এন ষ্টেফেন অমদি মিনট ৫০ চৎপদা টিম অসিমক্কী কে রাকেসপু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অদুদা এস তোম্বীনা সেন্তর রেফরি, ৱাই সমর্জিৎনা এ আর ১, এ রতননা এ আর ২ অমদি এ কে টুনেশ্বরনা ফোর্থ রেফরি ওইনা কন্দক তৌখি।

# ষ্টেট লেভেল ইন্টর স্কুল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭গী মখাতাবা মেটচশিং শান্নখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০১৩ঃ

য়ুথ এফিয়ারস এন্দ স্পোর্টস গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)গা খুৎশন্নমরগা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকপা চহি ১৯ মখাগী নুপামচাগী টিম ১৫ অমদি নুপীমচাগী টিম ১০না শরুক য়াদুনা প্রাতিক্স গ্রাউন্দ খুমন লম্পাক্তা চথরিবা ষ্টেট লেভেল ইন্টর স্কুল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ অন্দর– নাইন্তিন ইয়ারস বোইজ এন্দ গালর্সকী মখাতাবা মেটচশিং শান্নখ্রে।

ঙসিগী নুপামচাগী অহানবা মেটচতা সেনাপতি অমদি ককচিংনা লম্বা তৌদুনা শান্নবদা সেনাপতিনা গোল ১–০দা থোইখ্রে।

মেটচ অদুদা সেনাপতিগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মেটচ অদুগী মিনট ৪৯ চৎপদা দি বোইপুনা চনখি।

মেটচ অদুদা ৱাই দেবচান্দনা সেন্তর রেফরি, এল সনাতোম্বীনা এ আর ১, ৱাই হেমন্তনা এ আর ২ অমদি ৱাই ইঙোবীনা ফোর্থ রেফরিনা ফোর্থ রেফরি ওইখি।

অনিশুবা মেটচতা নোনে অমদি তেংনৌপল অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা তেংনৌপলনা গোল ৩–০দা থোইখ্রে।

মেটচ অদুদা তেংনৌপলগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচ অদুগী মিনট ৫ চৎপদা জংখানলোননা গোল ১, মিনট ২৩ চৎপদা থাংখনপাউনা গোল ১ অমদি মিনট ৩৭ চৎপদা দৌগিনহৌনা গোল ১গা চনখি।

মেটচ অদুদা এল সনাতোম্বনা সেন্তর রেফরি, ৱাই হেমন্তনা এ আর ১, ৱাই দেবচান্দনা এ আর ২ অমদি এল লম্থোইবনা ফোর্থ রেফরি ওইখি।

অহুমশুবা মেটচতা কাংপোকপি অমদি বিষ্ণুপুর অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবগা লোয়নননা মেটচ অদু বিষ্ণুপুরনা গোল ১–০দা থোইখ্রে।

লম্বা চানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী মিনট ২৯ চৎপদা বিষ্ণুপুরগী চিংলেম্বনা গোল ১ চন্দুনা মেটচ অদু মহাক্কী টিমনা মায় পাকখি।

মেটচ অদুদা এম ইনাউনা সেন্তর রেফরি, ৱাই ইঙোবীনা এ আর ১, এন বিজেনা এ আর ২ অমদি কিরনজিৎনা ফোর্থ রেফরি ওইখি।

ঙসিগী ৪শুবা মেটচতনা জিরিবাম অমদি তমেংলোং অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবগা লোয়নননা মেটচ অদু জিরিবামনা গোল ১–০দা থোইখ্রে।

মেটচ অদুদা জিরিবামগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙায়রবা গোল অদু মেটচ অদুগী মিনট ১০দা মিমিননা চনখি।

মেটচ অদুদা এন বিজেননা সেন্তর রেফরি, এন ইনাউনা এ আর ১, ৱাই ইঙোবীনা এ আর ২ অমদি ৱাই দেবচান্দনা ফোর্থ রেফরি ওইখি।

৫শুবা মেটচতনা সেনাপটি অমদি নোনে অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবগা লোয়নননা মেটচ অদু সেনাপতিনা গোল ১–০দা মায় পাকখ্রে।

মেটচ অদুদা সেনাপতিগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙায়রবা গোল অদু মেটচ অদুগী মিনট ১৭ চৎপদা এন কবিনরৈপানা চনখি।

মেটচ অদুদা ৱাই ইঙোবীনা সেন্তর রেফরি, ৱাই দেবচান্দনা এ আর ১, এল সনাতোম্বনা এ আর ২ অমদি ৱাই হেমন্তনা ফোর্থ রেফরি ওইখি।

৬শুবা মেটচতা ককচিং অমদি তেংনৌপল অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবগা লোয়নননা মেটচ অদু তেংনৌপলনা গোল ৪–১দা থোইখি।

মেটচ অদুগী মিনট ৫ চৎপদা ককচিংগী গেদিয়োননা গোল ১ হান্না চনখি। অদুবু মেটচ অদুগী মিনট ৮, ১৭, ২৬ অমদি ৩১ চৎপদা তেংনৌপলগী মথংসিংনা পাউমিন্থাং হাউকিপ, দৌগিনহৌ মাতে, থাংখনপাউ হাউকিপ অমদি পাউমিন্থাং হাউকিপনা মথং মথং গোল ৪ চনশিন্দুনা মেটচ অদু তেংনৌপলনা মায় পাকখি।

মেটচ অদুদা ৱাই হেমন্তনা সেন্তর রেফরি, এল সনাতোম্বনা এ আর ১, ৱাই দেবচান্দনা এ আর ২ অমদি ৱাই ইঙোবীনা ফোর্থ রেফরি ওইখি।

ঙসিগী ৭শুবা মেটচ অমদা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ফেরজোল অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবগা লোয়নননা মেটচ অদু ইম্ফাল ইষ্টনা গোল ১–০দা থোইখ্রে।

মেটচ অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী মায় পাকপগী অমত্তা ঙায়রবা গোল অদু মেটচ অদুগী মিনট ৫৮ চৎপদা এন জি বুংঙোনা চনখি।

মেটচ অদুদা এম ইনাউনা সেন্তর রেফরি, এল গোকুলানেদানা এ আর ১, এন বিজেননা এ আর ২ অমদি টি ঐচ কিরনজিৎনা ফোর্থ রেফরি ওইখি।

YELHOULAMGI YELHOUMISHINGI SENMITLON AMADI
KEITHELSINGBU YOKKHATMINASHI
Pliz Visit : NINGTHEE TUREL
a mobile shop
oppo vivo Xiaomi SAMSUNG micromax htc LYF GIONEE
Konung Mamang,
Opposite Thangal Temple

ওথোবিত কেপ্সুল অমসুং থাউ
লম কয়াদা কায়রবা, মতম শাংনা ঙাইনদুনা লৈরক্লবা, ফীবম শোক্লবা, য়াম্না লীরবা হকচাংদা চিকপা ফাওবা অথিতিস্ত, খু কাংনাবা, নিংজুদা নাবা, খ্বাং নাবা (লম্বর পেন, স্বেল্লিং পিল মসল, ক্রস স্প্রেস অমসুং অতোপ্পা হকচাংদা নুংঙাইতবা ফাওবশিং)গীদমক থিজিনবদগী ফংলকপনি।


ইফেক্ট থক নি
আর.ই.দি ওনগী মঙ্গল লৈবা অয়ুর্বেদিক লোথোকশিং
সাইদ ইফেক্ট লৈতে
মমীং লৈবা কেমিষ্ট পুম্নমক্তা ফংগনি

Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*